# মণিপুরগী লৈঙাক্তা মীতোপশিংগী ফিদা পীবা হায়বা হীরমসিদা খন্ন–নৈনখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ ঃ মণিপুরগী লৈঙাক্তা মীতোপশিংগী ফিদা পীবা অমসুং খূৎ থিংজিলহনবা হায়বা হীরমদা খন্ন–নৈনবগী মীফম অমা ঙসি কো–ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটিজ মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

খন্ন–নৈনবা অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী চুপ্পি য়েলহৌমীখক্তনা পায়নবা অমদি মকোক থোংবা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিং পোষ্ট লমদম অসিগী মতিক চাবা য়েলহৌমী ওফিসর লৈরবদি মখোয়দা হান্না পায়হন্নবগী খূদোংচাবা পীনবা ষ্টেটকী ওইবা লো শেম্লগা অথুবদা চৎনহনবীয়ু। সিএম এন বিরেননা ষ্টেট অসিগী চীফ সেক্রেটরী ও নবকিশ্বরবু অমুক হন্না ষ্টেট অসিগী চীফ সেক্রেটরী ওইহন্নবা অথুবা মতমদা থবক পায়–খৎপা অমদি মণিপুর লৈহৌমীশিং হং লৈঙাক্না ঙাক্লবা হোৎনবা অমদি হোৎনরকপদা মতেং পাঙদবা, লৈহৌমী ঙাকপা লূপ (লৈঙাকলূপ) কৌবা লূপ অমা শেম্বদা ঙসিগী মীফম্না অয়াবা পীবগা লোয়নননা মসিগীদমক মীওই তরেৎনা শাবা মেনেজমেন্ট কম্মিটি থম্না অমদি মথৌ তাবা থবক পূন্নমক পায়খৎনবা কো–ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটি মণিপুরগী কনভেনরদা শীন্নবা হায়বনচিংবা ৱারেপশিং অসি লৌখি।

থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইখিবা সিরকাগী স্পোক্সপার্সন নিংথৌজা লানচানা হায়, মণিপুরগী এসেমব্লিদা জিরিবাম কেন্দ্রদা বাংলাদেশ মচা, অসাবউদ্দিননা মীহুৎ ওইরকপা অসিদা লৈবাক্না করি ফাওই, মসি এক্সেপ্ট তৌগদৌরিব্রা, মসিনা করি ওইরকনি অমদি তুংদনা কমাইনা ঙাকথোক্কনি হায়বা অসি খন্নবা মথৌ তাই। দিমোক্রেসিগী মখোঙ অহুম্নি হায়রিবা ষ্টেট অসিগী লৈজিসলেচর, একজিক্যুটিভ অমদি জুদিসিয়ানি। একজিক্যুটিভতা লৈহৌমী আইএএস ও নবকিশ্বরনা পায়বা ফমদগী লৌথোক্লগা মীতোপ অমা হাপখিবা অসিদগী ৱাফম অসি নৈনরকপনি হায়খি। মহাক্না হায়, য়েলহৌমী অমদি লৈহৌমীগী ৱাফম হঞ্জিন হঞ্জিন নৈনরিবা অসিগী মরমদি মাইগ্রেসন নৎত্রগা এক্সচেঞ্জ ওফ পোপুলেসন হায়বা মতমদা ৱাফম অনী নির্ংশিংদবা য়ারোই। অমনা মণিপুরদগী মপানদা চৎখিবা টেলেন্দ ময়াম অসিনা মরম ওইরগা মফম অসিদা টেলেন্ট মশিং হঙ্গরকপা অমদি লমদম অসিদা মপানদগী মীতোপ মীতোপ চঙশিল্লক্লগা লম অসি পায়শিল্লকপা অসিনি। মহাক্না হায়, প্রি মর্জর মতম নৈনদুনা য়েংবা মতমদা ঙসি কাংপোকপী হায়রিবা নেপালি অমদি বর্ম্মাদগী চঙলকপা মীতোপ ময়াম অমনা খুন্দারিবা মফম অসি ১৯৫১ সেন্সসতা মীওই ৪২৭ না খুন্দাখি। মতম অদুদা কৈশামথোংদা মীওই ৮,০০০ অমদি শগোলবন্দদা মীওই ১১,০০০ মুক খুন্দাই। হৌজিক কৈশামথোংদা মীওই ৩০,০০০ অমদি শগোলবন্দদনা মীওই ৩৫ /৪০ লৈবদা ঙাইহরি। অদুবু মীওই ৪৩৭ লৈরম্বা কাংপোকপী অসি দিষ্ট্রিক্ট অমগী সাইজদা করম্না হেনগৎলক্লিবনো হায়বা অসি খন্নবা দরকার লৈ। ১৯৫১ দা জিরিবামদা মীতোপ ৩৪৯ লৈবা মতমদা মৈতৈ, মার অমদি কবুইনা ৬০০০ খরা হেন্না লৈ। মতম অদুদা লৈরিবা ৬০০০ অদু ঙসিসু খরা খক্তমক হেনগৎলি অদুগা মীতোপ্পা চাদা ৭১ ওইখ্রিবা অসি করিগীনো নৈনবা অমা চঙই। জিরিবামদা য়েলহৌমী নত্তবা অসাবউদ্দিন মীহুৎ ওইনা মায় পাক্লক্লি।

নিংথৌজা লানচানা মখা তানা হায়, মণিপুরনা ইন্দিয়াদা য়াওবা মতমদা প্রি–মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেতসকী ওইরিবা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এক্সেসনগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী ইন্টরনেল সোভরেন্টিদা খূৎ থিংজিলহল্লোই হায়না য়ানখি। ৱাফম অসি মর্জর এগ্রিমেন্টনা ককথৎলগা এগ্রিমেন্ট গী আর্টিকল ৯ গী মতুং ইন্না লমদম অসিদা মীতোপ্পচিংবশিং লোয়না চঙবা য়াহনখি। অদুবু মর্জর এগ্রিমেন্ট অসি ১৯৯৪ গী জুলাই থাদা চৎনবা য়াদ্রবা এগ্রিমেন্টনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ওর্দর থোকখ্রে। মরম অদুনা মমাঙগী ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এক্সেসনদা হঞ্জিনবনিনা থবক তৌবগী খূদোংচাবা পীবা মতমদা হেন্না খূদোংচাবা পীগদবনি হায়দুনা য়ান্নরিবা অসিগুম্না ষ্টেট অসিগীসু হীরম খূদিংমক্তা য়েলহৌমীদা হেন্না খূদোংচাবা পীনবা মুভমেন্ট অমা চঙশিনবগী মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

# জননেতা ইরাবতকী থাবুম অমা চত্থগদবা নীংশিং থৌরম হৌদোকখ্রে

## জননেতাগী ষ্ট্রগলনা উরম্বা মীৎয়েং নৈনবা তঙাই ফদ্রে ঃ এম নর

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ ঃ ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরনা শীন্দুনা থাবুম অমা চুপ্পা চত্থ–গদবা জননেতা নীংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফালগী জিএম হোলদা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা সিপিআই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরী ডাঃ এম নরনা হায়, লমদম অসিগী সোসিয়েল, ইকোনোমিক অমদি পোলিটিকেল কলচরগী চপ চাবা পোলিসি লৈহন্দুনা মীয়াম্না মীয়ামগী লৈঙাক লৈগদবনি হায়বগী ৱাখলদা থেঙনখিবা মহাক্কী ষ্ট্রগল অদুনা পীরম্বা ইম্পেক্ট অমদি উরম্বা মীৎয়েং অদু তঙাই ফদনা নৈনবা দরকার ওইরে। জাতিগী থাক খায়বা ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা মীওইবা খুন্নাইদা সোসিয়েল জষ্টিশ পুরক্লবগী ৱাখল্লোন মাক্সিজমনা পীরি। হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিদা জননেতাগী পুন্সিসু লোমখিবনি।

১২১ শুবা জননেতাগী মপোক কুমওন থৌরমদা নোংমখক লৈ–শু কৎপনা মপুং ফাবা ঙম্লোই। জননেতাদি অনৌবা মণিপুরগী আর্কিটেক অমনি হায়না লৌবদা লাল্লরোই। শেঞ্জাও পায়বগী নীতিদা লাক্লিবা খুন্নাইগী ফিভম অসিদগী অহোংবা পুরকপা য়াই হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা থাজবনি। মীনা মীবু ওত্তবা, নীংতম্বা, পুন্সিবু দাইত্ব লৈহন্দুনা অফবা খুন্নাই লিংখৎপা য়াই হায়বসিসু চপ চানা থাজখিবা লুচিংবা অমনি হায়নসু ডাঃ এম নর সিংহনা ফোঙদোকখি।

অচৌবা ফম কয়া থাদোক্লগা খুন্নাই অসিগী অহোংবা অমা পুরক্লবগীদমক মপুন্সি লোমি–খবা, হৌজিক্কী রাজনীটিদা ফমগীদমক ইজ্জৎ সন্মান পুম্নমক খোঙ্গাওনরকপা, ঙাইহাক লৈতনা চোংথোক চোংশিন তৌদুনা কারবার ওল্লকপা মসিদা জননেতাগী পুন্সি নৌহৌননা নৈনবগী তঙাইফদবা অদু লাকপনি হায়না লৌই।

মরম অদুনা মহাক্না কখে–ৎকখিবা অদুগী তুং ইন্দুনা ওইদ পাদবনা চৎনবী ওইরক্লিবা খুন্নাই অসিদগী অনৌবা অমদি অহোংবা মণিপুর অমা শেমসি হায়রবদি জননেতাগী ৱাখল্লোন নৈনদুনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবতনা মপুং ফাগনি হায়নসু ডাঃ এম নরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সিপিআই ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট মেম্বর এল ইবোয়াইমানা লৈখিদ্রবা ইরাবতনা নুপীদা চত্থবা ক্রাইমশিং থেঙনবদা নুপীশিংনা হৈ–শিংনা লৈফম থোকই হায়বগী ইহৌ অমদি ৱাখল্লোন কয়াসু পীরমখি হায়না ফোঙদোকখি। অনৌবা খুন্নাই অমা শাগৎনবা হোৎনরম্বা লুচিংবা অসিগী ৱাখল্লোন হৌজিক্কী অমদি তুংগী মীরোলনা খুদুং ইন্দুনা চৎপা ঙম্লবদি অহোংবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি।



থৌরম অদুদা সিপিআই গী দিপ্যুটি সেক্রেটরীশিং এল থোইরেন, এল সোতিনকুমার, ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট মেম্বর এল লালা অমদি কেঐচ সুরচাদসু প্রসিদিময়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

অতোপ্পা অমনা পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা জননেতাগী নীংশিং থৌরম ঙসি হৌদোকখিবগা লোয়নননা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা জননেতাগী মিতমশিং খোঙ্গুল লীবগী খোঙচৎ চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদু লম্লাই কেন্দ্রগী মনুং চম্না লৈবা নুংশিকোল পার্কতগী হৌদোকখি। অদুগা ইরাবত পার্ক লম্লাই, পুংদোংবম থৌদোক নীংশং খুভম, খুরাই, কোংবা, য়াইস্কুল, এমদিয়ু, ককচিং, এমএমআরসি এন্দ য়ুনিটি পার্ক খাঙবোক, খোঙমন মঙজিন, ইরাবত ভাবন ইম্ফাল, পিশুম, নম্বোল অমসুং কাংমোংদা লৈবা মিতমশিংগী মরমদা থিজিনবগা লোয়ননা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

চৎলিবা থা অসিগী ৮ দগী ১০ ফাওবা জিরিবাম অমসুং অসামগী লখিপুরদা খিল্লিবা ইরাবতকী মিতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমগনি হায়রি।

থা অসিগী ১৭ তা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী পুন্সি অমদি মহাক্না লৌরম্বা থৌদাং হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা সিম্পোজিয়ম, থাসিগী ২৪ দনা ইরাবতকী শক্তম, পুন্সি অমসুং থবক্তা য়ুম্ফম ওইবা মহৈরোইশিংগী ষ্টেট লেভেল পেন্টিং অমসুং স্পিচ কম্পিটিসন, থাসিগী ২৬ তনা ইরাবত শৈথা–শৈরেং শৈদিন্নবা অদুগা থাসিগী ৩০ দনা নীংশিং থৌরম লোয়শিনগনি হায়রি।

# পোইরৈতোন হীরম অমত্তদা লূপকা মরী লৈনদেঃয়ুএনএলএফ

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ ঃ হৌ–খিবা আগষ্ট ৩০, গী অয়ুক পুং ৫ তাবা মতমদা সিদিও।ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৫জেএকে রাইফলসকী অপুনবা খূৎপু অমনা ফারে হায়রিবা সলাম পোইরৈতোন এলাইজ দিনচন্দ্র মীতৈ (৩৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস নরানবাবু মীতৈ, কিয়াম ময়াই লৈকাই, পাৎশোই অসি য়ুএনএলএফ অমদি মসিগী লাম্মী শঙলূপ মণিপুর পিপলস আর্মি (এমপিএ) গা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না লূপসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী দাইরেক্টর এম শকহেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

আইন্না থিংখ্রবা লূপসিগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, সলাম পোইরৈতোন ১৯৯৭ কী অরোইবা শরুক্তা লূপতা য়াওরক্তুনা মণিপুর পিপলস আর্মিগী ১৩ শুবা বিএমটি বেটচতা ট্রেনিং লৌখি। মহাক্কী আর্মি নম্বরনা ৬৪০ নি। মহাক য়ুএনএলএফ কী লাম্মী শঙলূপ এমপিএগী লাম্মী অমা ওইনা মতম খরদি থবক তৌরমখি। অদুবু মঙোন্দা য়াওল্লোই অমা ওইবগী মতিক ময়াই অমদি লীচৎ অদু য়াওদবনা য়াওল্লোই অমা ওইনা ঙাক্কদবা লমচৎ শাজৎ অমদি ৱায়েল ঙাকপা ঙমদদুনা মীচেন ওইনা লৈখ্রবা মীইওনি। মরম অদুনা পোইরৈতোন য়ুএনএলএফ অমদি মসিগী লাম্মী শঙলূপ মণিপুর পিপলস আর্মিগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়রক্লি।

পুলিসনা ফাগৎলি হায়রিবা নোংমৈ অমদি জিপসি নচিংবা গারী অদু য়েংলুরগদি মণিপুরদা নীংতম লালহৌদগী মীচেন ওইখ্রবশিং অমদি পুলিসকী অপুনবা গেঙ খূৎপু অমা লিংদুনা মীয়ামদা অকি তুজুং পোকহনবা অমদি নম হাদুনা শেল খায়বগী থবক চত্থরব্রা হায়বসি হংনিঙাই ওইরে হায়রি।

অরোইবদা চেরোলসিনা হায়রিবদি য়ুএনএলএফঃএমপিএ গী মেম্বর ওইরম্বশিংনা লূপ অমদি লাম্মী শঙলূপতগী নাথৈখ্রবা তুংদা লৈপাক মীয়ামগী মায়োক্তা লূপকী অমদি য়াওল ইহৌগী মিংচৎ থিনবা থবক তৌবশিং শুংশোই শোয়দনা চৈরাকপীগনি। মরম অদুনা হায়রিবা মীওইশিং অসিগী ইমুং মনংগী মীওশিংনসু মতম চানা মচা মনাও ওইবশিংবু ফত্তবা লম্বীদা, মীয়ামগী অমদি লূপকী মায়োক্তঃ চত্তনবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়না পাউজেল্লক্লি। মীয়ামগী মায়োক্তা থবক তৌরিবা মরাল লৈরবা হান্নগী য়ুএনএলএফঃএমপিএ গী মীওইশিং লূপতা মতম চানা চঙজরক্লবসু মখা তানা পল্লক্লি।

**লমায় ১ গী মখা**

# ৭শুবা সেন্ট্রেল পে চৎনহনবদা রেভিন্যু রিছোর্স...

নৈনবগী তঙাই ফদবা অদু লাকপনি।এম্লুক অমসুং এমজিওগী জেএসিনা দিমান্দ তৌরিবা পোইন্ট ২২গী মনুংদা ষ্টেট সরকারগী ইমপ্লোইজ, পেন্সনর, ফেমিলি পেন্সনরশিংদা থেংথবা তৌদনা ৭শুবা সেন্ট্রেল পে ইন– টোটো পীগদবনি, সেন্ট্রেল নোর্মদা মতম–মতমগী ওইনা মিনিমম ৱেজেসকী রেট রিভাইস তৌগদবনি, ভারত সরকারগী ওফিসিয়েল মেমোরেন্দম (ওপি)গী মায়োক্তা রিটয়ার্দ তৌরবা নৎত্রগা থবক পোত্থবগী চহী য়ৌরবশিংবু রি–ইমপ্লোইমেন্ট নৎত্রগা সার্ভিস এক্সটেন্সন তৌরোইদবনি, তোঙান–তোঙানবা ফমশিং ইন–চার্জ নৎত্রগা লূক অপ্টর বেসিস্তা মেনশিনবগী থবক মখা চত্থরোইদবনি,তোঙান–তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা হাংদুনা লৈরিবা সেঙ্কসন তৌরবা রিগুলর পোষ্টশিং মেনশিন্নবা দাইরেক্ট রিক্রুইটমেন্টতা থল্লিবা অথীংবা লৌথোক্কদবনি, হোম গার্ডশিংগী দ্যুটি এলাৱেন্স হেনগৎহনগদবনি, মণিপুর পুলিস, আইআরবি অমদি সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংদা সেন্ট্রে সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা পীরিবা চাংগা মান্ননা রেসন মনি হেনগৎহনগদবনি, গ্রুপ–সি ইমপ্লোইজ রিক্রুইটমেন্টকীদমক মণিপুর ষ্টেট ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন লিংগদবনি, পেন্সনর অমসুং ফেমিলি পেন্সনরশিংদা মেডিকেল রি–ইম্বর্সমেন্টকী খুদোংচাবা ফঙহনগদবনি হায়বনচিংবা য়াওরি। ফাইনান্সসু পুরিবা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়, লৈপাক অসিদা অনৌবা টেক্সেসন সিষ্টেম খুদম ওইনা জিএসটি চৎনবা হৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট সরকারনা অপুনবগী ওইনা রেভিন্যু খোমগৎনবা অমদি হেন্না ফগৎহন্নবা খুজিল থৌরাং কয়া অমসু লৌখৎলি। পোলিসি মেটর অমসুং ইমপ্লোইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা ষ্টেট সরকারনা হেক ঙম্লিবা মখৈ অথুবা মতমদা য়েংশিন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লৈঙাক্না হোৎনবদগী মকোকচীং ঈরিল বেলি রিভর ব্রিজ থা ২ ...

পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টতা শীন্নরগনি।

সাইকুল ট্রান্সফোর্মর হেনগৎহন্নবগী ৱাফমদা মিনিষ্টরনা হায়, মদুদি অরুবা ৱাফম নত্তে,মসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা ফোর্মেল এপ্লিকেসন অমা পীরক্না খঙহনখ্রে। সাইকুল অমদি মোলকোন বজারদা সোলর লেম্প ৮০ থানবগী ৱাফমদা মিনিষ্টরনা হায়, থৌরাং অসি মণিরেদাগী মখাদা লৈতে তৌইগুম্বসুং গ্রীদ কন্নেক্টেদ সোলর প্লান্ট তি পীবা য়াগনি। ষ্টেট লৈঙাক্না চাদা ১৯ পুথোকপা অমদি সেন্টেল ওঠোরিটিনা চাদা ৬০ পুথোকাকাদবনি হায়না মিনিষ্টরনা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খিবদি, পিএমজিএসৱাইগী মখাদা মকোকচরহদগী দোলাইথাবী বেরেজ ফাওবগী লম্বী অসি ফঙহনবগী থবক পায়খৎনবা মরী লৈনবা ইঞ্জিনিয়ারশিংদা হায়খ্রে অমদি অহানবা ষ্টেজগী ওইনা হোলবুংদগী হৌদুনা ঐচ জাংগোম, মাউজাং, এনজি, ফাইনোম, সোংফেলখোলেন ফাওদুনা তুসাম তাবা লিঙ্ক রোদ শেম্বগী থবক অসি লোইশিল্লে।

জন ধন যোজনা, প্রধান মন্ত্রি অৱাস যোজনা–গ্রামিন (পিএমএৱাই–জি), উন্নট জিৱন বাই ওফোর্দেবল এলই দিজ এন্দ এপ্লাইয়েন্সেস ফোর ওফ (উজ্বলা), কিষন সম্পাদা য়াওনা মীয়ামগী য়াইফনবা স্কিমশিংগী কান্নবশিং পল্লদুনা মিনিষ্টরনা নহা ওইরিবশিংনসু স্কিমশিং অসিনা পীরিবা কান্নবশিং অদু মীয়ামদা খঙহন্নবা এৱার্নেস কেম্পেন পাঙথোক্লবা হায়খি।

# ৱাথোক্তা চেন্নবা ওফিসারশিং সস্পেন্দ তৌখ্রে

চৈরক অসিদা দিপিগী ওর্দর অমনা সস্পেন্দ তৌখ্রবা সেনাপটি এসপি গোঙলিনগী থবকশিং অদু কাংপোকপীগী এসপি ওইরিবা মহারবম প্রদিপ সিংহ আইপিএসনা য়েংশিল্লগন অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনেল এসপি (ওপস) এম কুমারজিৎকী মহুত্তা হৌজিক হৌজিক ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনেল এসপি (লো এন্দ ওর্দর) গী থৌ পুরিবা ৱুংপম কছরনা য়েংশিল্লগনি হায়রি।

# এমদিএসকী ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা এফআইআর...

লৌখৎখিবনি। ২০১৩ –২০১৪ ফাওবদা এমদিএসকী চেয়ারমেন ওইখিবা ও ইবোবীগী মতমদা এমদিএসনা শজিন্নখিবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং অদুগী শেনফম কায়থোকপদা প্রোসিদ্যুরগী ওইবা লাপ্স কয়া অমা লৈখি। অদুনা মহাক্কী মথক্তসু থিজিন হুমজিনবগী মথৌ তাই।

শ্রী ও নবকিশ্বর সিংহ আইএএস সু ২০১৫ গী ওক্তোবর থাদগী ২০১৭ গী জুলাই ৬ ফাওবা এমদিএসকী চেয়ারমেন ওইরম্বা মরম্না মহাক্না চেয়ারমেন ওইরিঙৈদা এমদিএসনা পায়খৎখিবা প্রোজেকটশিং অদুগী মতাংদা নৈনবা চঙই হায়নসু ষ্টেট ভিজিলেন্স কম্মিসন মণিপুরগী রিপোর্টতা পনবা মরম্না হায়রিবা য়াইতোং ফমদোংবশিং অদুগী মথক্তা এফআইআর অদু লোজ তৌখিবনি হায়রি।

# সিরারখোঙ মোরোক ফেষ্টিভেলদা মোরোক কেজি লিশিং ৫ রোম পুথোক্লবা হোৎনরি

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ ঃ উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সিরারখোঙ ভিলেজদা ৮লকশুবা মোরোক ফেষ্টিভেল ২০১৭ কুমশি চহীগী ওইনা চৎলিবা থা অসিগী ৬ তগী ৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

সিরারখোং সনাওলোংনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙানা তোঙানবা মখলগী মোরোক কেজি লিশিং ৫ রোম পুথোক্লবা পান্দম থল্লি হায়না সনাওলোং অসিগী মেম্বর তমিশিংফি ৱুলেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না হায়, নুমিৎ ৩ নি চুপ্পা চত্থগদবা ফেষ্টিভেল অসি মমাঙ চহীশিংদা পুথোকখিবা পোথোক্কী চাংদগী হেন্না পুথোক্লবা শেম শারি। ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাফমদি সিরারখোঙ ভিলেজদা মোরোক কী পোথোক পুথোকপা ঙম্লিবা অসিগীদমক ঈশ্বরদা খুরুমজবনি। খুল অসিগী য়ুমথোঙ খূদিংনা মখোয় মখোয়না পুথোকচপা মোরোক মখলশিং অদু অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা থাদোক্তুনা শেনমীৎলোনদা চাউনা মতেং পাঙবসু ঙম্লক্লে।

মরম অদুনা লমদম অসিদা পুথোক্লিবা মোরোক্কী পোথোক অসি তুং কোইনা হেন্না পুথোকপা ঙম্নবগীদমক ফেষ্টিভেল অসিনা ইনোৎ অমা পীদুনা লাকখিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মোরেদা বোম পোকখায়হনবদা চেন্নবনি হায়বা মরোল থোক্তবা অমা জঙ্গলদগী ফারে

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ ঃ মণিপুরদা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসন্স (সিআই–ওপস) শিংদা শীজিন্নরক্লিবা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স (সিপিএমএফ) শিংগী মরক্তগী অসাম রাইফলসনা পাঙথোরকপা তোপ তোপ্পা অমসুং অহানবা থৌদোক্তা হন্দক মোরেগী ম্যান্মারগা তায়নবা মফমশিংদা বোম কয়া মথং মথং পোকখায়হনখিবা থৌদোকশিংদা চেন্নবনি চিংনবা মীওইনি হায়দুনা মনা পংবা অদুগা মরোলসু থোক্তবা নন–লোকেল নহা অমা ফারগা পুলিস্তা শীন্নরক্লে হায়রি।

মী খ্বাইদৌনা ঙাংবা ঙমদবা অদুগা তাবসু ঙমদ্রবা মীওই অসি টেংনৌপল পোষ্টতা লৈবা ১২ শুবা অসাম রাইফলস পোষ্টকী টীম অমনা মমাঙ থাগী ৩০ গী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা সিতা ভিলেজ মনাককী জঙ্গল অমদগী ফাবনি হায়রি।

ফারবা মীওইসি নুমিৎসিগী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা টেংনৌপল পুলিসতা অইবা রিপোর্ট অমগা কোন্ননা পুরক্তুনা খূৎশিন্নরমখিবনি হায়রি।

অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী মহাক্কী মথক্তা তৌরকপা চার্জশিংদা মহাক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী সিতা, সাইবোল অমসুং ক্বাথানচিংবা মফমশিংদগী জঙ্গলদা কোয়চৎ চত্তুনা লৈরকপা মীওইনি।

মহাক্কী থৌওং অসি মফমশিং অসিদা চত্থোক চৎশিন তৌবা সিক্যুরিটি পার্সোনেলশিংগী মুভমেন্টকী মতাংদা পাউ লৌবা ওইগনি। মহাক অন্দরগ্রাউন্দ আউটফিটশিংনা শীজিন্নবা মীওই ওইবদা নত্তনা হন্দক থোকখ্রিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওই অমা ওইগনি হায়দুনা পল্লকখি হায়রি।

পুলিসনসু অসাম রাইফলসকী রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ৪০০ গী মখাদা এফআইআর নম্বর ১৮(৮) ২০১৭ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে। লোয়ননা ঙরাং চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট (সিজেএম), চান্দেলগী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা থাসিগী ৪ ফাওবা নুমিৎ মঙানি পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

অদুম ওইনমক মহাক্না লোন ফাওনবা ঙমদবদগী হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী মমিং খঙবা ঙমদ্রি। মহাক নন–লোকেলনি, মশাগী চহী ২৫ রোম শুরবা মীওই ওইগনি। মহাক বেঙ্গলি ময়েকশিংখক ইবা হৈ অদুবু ময়েকশিংদু তপশিন্নদুনা পাবা য়াবা মওংদা ইবদি ঙমদে হায়রি।

মহাকপু খঙবা মীওইশিং নৎত্রগা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা মহাক্কী মরমদা অকুপ্পা ৱারোলশিং খঙনিংলবদি টেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জগী মোবাইল নম্বর ০৯৮৬২৫৪৪৬৫৫ অমসুং ০৯৮৫৬৮০৪৩১৫ দা কন্টেক্ট তৌরকপা য়াগনিসু হায়রি।

# ২১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে



এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ ঃ য়ুনাইটেদ এজুকেটেদ মল্টিপরপজ সেল্ফ ইমপ্লোইদ ভলুন্টরি ওর্গনাইজেসন (য়ুইএমএসইভিও) গী ২১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি নম্বোল চীংমাঙদা লৈবা পব্লিক থিয়েটরগী হোলদা ওর্গনাইজেসন অসিনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর গভর্নমেন্টকী দিপ্যুটি চেয়ারমেন, ষ্টেট প্লানিং বোর্দকী থবকসু পুরিবা মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্‌ট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী থবকসু য়েংশিল্লিবা এস রাজেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট এম টিকেননা ময়াই তাঙ্বল লৌখি।

অদুগা মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়ারমেন এল রাধাকিশ্বর অমসুং ওফিসর সিঐচ মনিনা ইকায় খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমসিগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা এস রাজেননা হায়, মণিপুরগী শেনমীৎলোনদা হেন্না কান্নবা পীরিবা খূৎশা হৈবগী থবক কয়াসিবু হৌজিক্তি ঐখোয়না হেন্না পূক্নিং থৌগৎকদবনি। মখোয়বু অঙম্বা মতেংশিং পাঙশিনগদবনি। মখোয়গী থবকশিং অসিনা মখোয়গী ইমুংশিংগীদা নত্তনা লৈবাক্কী শেনমীৎলোন ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরিবনি।

লোয়ননা হৌজিক ওর্গনাইজেসন অসিগী খূৎ–শা হৈরবা নহাশিং অসিনা শাজদুনা পুথোক্লিবা পোৎলম কয়াসি মপান লমদা থাদোক্তুনা মপানগী মীওইশিংনা হেন্না পাম্নহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমসিদা ইকায় খুম্নরবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা এল রাধাকিশ্বরনা হান্নগী গভর্নমেন্টশিংনা চহী ১০ হেনবগী মমাঙদগী তৌরমদ্রবসু হৌজিক লৈরিবা গভর্নমেন্ট অসিনা খূৎ–শা হৈবা শীন্নীশিংদা শোয়দনা মতেং পাংলগনি। অদুম ওইনমক শীন্নীশিংনা থম্মোয় শেংনা থবক শুবীয়ু। ইশাগী হৈনবা শিনফম অমদা পুন্সিগী ওইনা হোংদোকপীগনু। মহৈ শোয়দনা চাগনি। হৌজিক গভর্নমেন্টসিনা অঙম্বা মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈরে হায়খি।

ঙসিগী মপোক কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা ওর্গনাইজেসন অসিগী মার্কেটিং ৱেবসাইট অমসু লোঞ্চ তৌখি।

# কঞ্জুমরশিংনা পম্পশিংদা থাওগী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটি চ্যেক তৌবীয়ু ঃ আইওসি

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ ঃ লমদম অসিদা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী আউটলেটশিংদা পীরিবা পেট্রোল অমদি দিজেলগী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটি অসি কঞ্জুমরশিংনা চ্যেক তৌবা য়াই, মসি কঞ্জুমরশিংদা পীবা হকনি হায়না ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন (আইওসি), ইম্ফাল দিভিজনগী ওফিসকী রিটেল সেলগী দিপ্যুটি জেনরেল মেনেজর এসআই সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

আইওসি না চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাদগী চত্থরকপা পেট্রোল অমদি দিজেল লৈদুনা শীজিন্নরিবা কষ্টমরশিংদা রিটেল আউটলেটশিংদা পীরিবা থাওশিং অসিগী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটি অসি চ্যেক তৌনবগী চত্থ–রকপা এৱারনেস কেম্পেইন অদুগী শরুক অমা ওইনা ঙসি কৈশাম্পাৎতা লৈবা টিদিম ষ্টেসনদা পাঙথোকপনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কনাগুম্বা কঞ্জুমর অমনা রিটেল আউটলেট অমদা হেক্তা চঙদুনা পেট্রোল অমদি দিজেলগী ক্বালিটি অমসুং ক্বান্টিটি চ্যেক তৌনবগী মেথদ কয়াসু লৈ। হায়রিবা মেথদশিং অদুদি হায়দ্রোমিটর শীজিন্নদুনা থাওগী দেন্সিটি য়েংবা, অদুগা ৱাটমেন ফিল্টর পেপর শীজিন্নদুনা নোজলদগী থাও দ্রোপ ১–২ চোৎহন্দুনা ফিল্টর পেপর অদুবু কঙহল্লবা মতুংদা পেপর অদুদা অমোৎপা য়াওব্রা অমদি থাও অদু থুনা কঙব্রা হায়দুনা য়েংবগী মেথদ অসিনি।

মরম অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা কঞ্জুমরশিংনা মেথদ অদুবু শীজিন্নদুনা থাওগী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিবু য়েংবীদুনা পূক্নিংদা চিংনবা লৈতনবা পেট্রোল অমদি দিজেল শীজিন্নবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ইথাই দাম লৌথোউ ঃ ঙামীশিং

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ ঃ লোক্তাক পাৎতা খুন্দারিবা মীওইশিংগী হিংবগী নিয়ম মফম অদুগী মীয়াম্না খঙগদবনি। মফমদুদগী লাকপা এনঐচপিসিগী মীওইনা খঙগদবা নত্তে। ইথাই দাম লৌথোকউ, ঙামীশিং হিংহল্লু হায়না ওল থাঙ্গা মৈরা পায়বী অপুনবা ওর্গনাইজেসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট সলাম লৈনুংশিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি হাওরেং চীংয়াং, থাঙ্গা কম্যুনিটি হোলদা লোক্তাক ফিসরিজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন, লোক্তাক এফেক্টেদ এরিয়াজ এক্সন কম্মিটি, ওল থাঙ্গা মৈরা পায়বী অপুনবা ওর্গনাইজেসন, য়ুনাইটেদ ক্লব ওফ থাঙ্গা, ইরাবত ফাউন্দেসন, কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটস, সেন্টর ফোর রিছার্চ এন্দ এদভোকেসি মণিপুর, সিটিজেন্স কন্সর্ন ফোর দামস এন্দ দিভলপমেন্ট, নোর্থ দাইলোগ ফোরমনা শীন্দুনা মেরিটস এন্দ দিমেরিটস ওফ ইথাই বেরেজ ওফ ১০৫ এম দব্লিউ লোক্তাক প্রোজেক্ট হায়বা হীরম অসিদা মীয়ামগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকক্রে।

থৌরম অদুদা সলাম লৈনুংশিনা হায়, লোক্তাক অসিদা তাংদুনা হিংলিবা মীওই কয়ানা নীংশিংবা থোক্রবা মতমদগী পাৎ অসিগী অকোয়বদা ফঙবা মখল মথেল কয়াগী মনা মশীং অমদি ঙা মখল কয়ানা ৱাত্তা পাদনা লাকখিবনি। অদুবু ইথাই দাম অসি হেক লাকখিবদগী খূদিংমক লোয়না মাঙশিল্লক্লে। ঙা ফাবগী শীনফম্না হিংনবগী লম্বী ওইজবা অদুসু দাম অসিনা মুনবীখ্রে হায়রদুনা মহাক্না হায়, ঐখোয় ঙা ফারগা হিংবা মীওইনি, লমদম অসিগী মাঙজবদা ওইরবা ইথাই দাম লৌথোকউ, ঙামীশিং ঙা ফাহল্লু । লোক্তাক পাৎ অসি করম্না কনগনি করম্না শীজিন্নগনি হায়বসিপাৎ অসিগী অকোয়বদা তারিবা মীয়াম্না খঙগদবনি। লোক্তাক পাৎতা ফুম থা ৬ থাবা অমদি থা ৬ অমুক শিথবা হায়বনচিংবা কয়া লৈ। মসি মপান লমদগী লাকপা এনঐচপিসিনা খঙগদবা নত্তে হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পিঐচ দেবেননা হায়, লোক্তাক পাৎ অসি লমদম অসিগী শকয়েং মীংশেলনি। পাৎ অসিদা তাংদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্না লৈরকপনি। অদুবু ১৯৮৪ দা লোক্তাক প্রোজেক্ট অসি হৌখিবদগী ঙসি ঙা মখল কয়া মাঙশিল্লক্তুনা মহৌশাগী খলদা অহোংবা কয়া লাক্তুনা মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লে। প্রোজেক্ট অসিনা মরম ওইরগা লৌফম পরি ৫৪ ইরোনুংদা লৈখিদুনা চানবা ফাওবা ৱাৎশিল্লক্লে। ঙসিদি চেং ফঙদবগী অৱাবা ময়োক্লহল্লে। অদুবু মৈ মেঘাৱাট ১০৫ পুথোক্কনি হায়রিবা লোক্তাক প্রোজেক্ট অসিদগী মণিপুরদা মৈ শীজিন্নদে, লমদম অসিদা শীজিন্নরিবা মৈ অসিদি মপান লমদগী লৈবা ঙাক্তনি । লোক্তাক প্রোজেক্ট অসিদগী কান্নবা অমত্তা ফঙবা ঙমদ্রে হায়না ফোঙদোকখি।